**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-06-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ১৭-০৬-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থবদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

২) দ গ্রেট জন্ অপ্রাইজিং ডে থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ট্রোল পুলিস ৱিংনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না হয়েং লম্বী চখোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি।

**অমসুং**

৩) ভারত অমসুং সাইপ্রসনা টেরোরিজম অমসুং এক্সত্রিমিজমনা সমাজতা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভমদা শিংনরক্লিবা অসিবু পুন্না থেংনমিন্ননবা য়ানখ্রে।

**------**

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যরিতি ফোর্সকী কাংবুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঙরাং থিবা হুন্দ্বগী থবক চত্থখি।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবুনা

থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা লৈরোংথেল পিত্রাদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খূৎলাই কয়া ফাগৎখি। ফাগৎলবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল অমা, তুয়েল্ব বোর কারত্রিজ অনি, হেন্দগ্রেনেদ ৬, দিতোনেতর ৪, নোংমৈ মরু খরা য়াওনা অতৈ পোখাইবা য়াবা পোৎলমশিং ফাগৎখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা সঙাইথেল মখা লৈকাই অমসুং সঙাইথেলগী মনাক নকা লৈবা হৈবীলোক্তা থিবা হুন্বগী থবক চথবদসু খূৎলাই কয়া ফাগৎখি। ফারবা খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এম এম, এস.এল.আর অমা, মেগজিন অনি, এক্স কেলিবর অমা, বোল্ট এক্সন রাইফল অহুম, কন্ত্রিমেদ নাইন এম এম পিষ্টোল অমা য়াওনা নোংমৈ খরা য়াওরি।

অমরোমদা, চেসাম অব্দুল কাদির কৌবা মীওই অমা মাংখ্রবা মতুং থা অসিগী ১০ অমসুং ১১গী অহিংদা য়ুমাম হুইদ্রোম মখা লৈকাইদা লৈবা য়ুম অমদা ফংখিবগা মরি লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং য়ুম্বু অদু ফাগৎখ্রে। থৌদোক অসিগা মরি লৈননা মীওই ৫ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎখি। হৌজিক ফাওবদা কেস অসিগা মরি লৈননা পুন্না মীওই ৯ ফাগৎখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা থা অসিগী ১৫ দা চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তুইবোংদগী চিন কুকি নেসনেল দিফেন্স ফোর্স-আর্মি(সি.কে.এন.দি.এফ)কী লালহৌবা অমা ফাগৎখি। মীওই অসি নম হাদুনা শেল খাইবা, মীফা মীপুন তৌবা, খূৎশু খূৎলাই অমসুং দ্রগশিং ম্যান্মারদা থাদোক থাজিন তৌবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি। মঙোন্দগী লোকেল মেদ পিষ্টোল অমা, সি.কে.এন.দি.এফ-এগী লেত্তর হেদ ৫ অমসুং নোংমৈ মরু অহুম ফাগৎখি।

**জ্‌ন ১৮(এল) ঃ** দ গ্রেট জ্‌ন অপ্রাইজিং ডে থৌরম হয়েং পাঙথোকবা শেম শাবা লোইরে। থৌরম অসি ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী খুভমদা মীয়ামা লৈ শু কৎকনি। থৌরম অসিগা মরি লৈননা মীয়ামগী চখোক চৎশিনদা খুদোংচানবগীদমক রাজ্যগী ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৰিংনা চেরোল অমা থোকখ্রে। মদুগী মতুং ইন্না হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী থৌরম অসি লোইদ্রি ফাওবা উখ্রুল অমসুং শওম্বুং লোমদগী লাকপা গারিশিং লম্লোং বজারগী অৰাং থংবা মাইকৈদা খামগনি, পাঙ্গৈ রোমদগী লাকপা গারিশিংনা লম্লোং হাইস্কুলদা খামগনি, সেকমাইদগী লাকপা গারিশিং খোঙনাং অনি কারক লোমদা চৎলগা ইন্তর ষ্টেট বস তর্মিনস অমসুং খুমন লম্পাক মেইন স্তেদিয়মদা খামগনি, উরিপোক কাংচুপ রোদতা লাকপা গারিশিং জাস পেত্রোল পম্প-উরিপোক কোস্মো দেন্তেল ক্লিনিক এরিয়াদা খামগনি, শগোলবন্দ লম্বীদা লাকপা গারিশিং জিরি পার্কিংদা খামগনি, তিদ্দিম লম্বীদগী লাকপা গারিশিং ক্বাকৈথেলদগী তেরা বজার রোমদা লাক্লগা জিরি পার্কিংদা খামগনি। ময়াই ইম্ফালদগী লাকপা গারিশিং খাগেম্পলিদগী ক্বাকৈথেল বজারদগী তেরা বজার, নাওরেমথোং উরিপোক কেন্তিন লৈরক্তা লাক্লগা লম্ফেল সনাকৈথেলদা খামগনি। থৌবাল লোমদগী লাকপা গারিশিং শিংজমৈ বজারদগী কোংবা লম্বী অমসুং ৱাংখৈ রোমদা লাক্লগা পেলেস কম্পাউন্দ গ্রাউন্দদা খামগনি। য়াইরিপোক অমসুং অন্দ্রো লোমদগী লাকপা গারিশিং অন্দ্রো পার্কিংদা খামগনি। লৈ কৎপা লাকপা মীওইশিং মীনুংথোং অমসুং খুমন লম্পাক মাইকৈরোম খক্তদগী চংলক্কদবনি হায়রি। থৌরম পাঙথোকফমগী মনাক নকপদা লৈবা ওফিস অমদি স্কুলনচিংবগী কর্মচাশিং মশা মশাগী আইদেন্তিতি কার্দ উৎলগা চংবা য়াগনি।

**প্লেন(এল) ঃ** অহমেদবাদ প্লেন ক্রাশ থৌদোক্তা মণিপুরদগী নুপীমচা অনি লৈখিদবা অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং লৌনবা শেম শাবা লোইরে হায়না রাজ্য সরকারগী চিফ সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা হায়-মখোয় অনিনা লৈখিদবদা রাজ্য অসিগী মীওই পুমমকা থম্মোই শোকা নুঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। রাজ্য সরকারগী মাইকৈদগীসু নুঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-রাজ্য সরকারনা তাতা গ্রুপ অমসুং এয়র ইন্দিয়াগা পাউ ফাওনদুনা লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং ইম্ফালদা ওকবা শেম শাবা লোইরে হায়না খঙহনখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী হকচাং অৱাংবা থাক্তা ইকাই খুমবা উৎনবা অমসুং ইমুং মনুংদা তেক্তা কাইদনা শিন্নখিনবা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

**এনভাইরনমেন্ট(এল) ঃ**নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুইমেন হেলথ অমসুং নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড এনভাইরনমেন্ট ডে ২০২৫ ঙসি হোতেল ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগী হীরমদি-প্লাস্তিক পোল্যুসন মুথৎপা হায়বসিনি। থৌরম অসিদা হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চম্বো গোলমৈ, ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর ডা.এম দিনেশ সিংহ শরুক য়াগনি।

**স্কুল ভেন(এল) ঃ**বস, ভেন অমসুং অতৈ গারিশিং তোংদুনা স্কুল চৎলিবা মহৈরোইশিংবু তেক্তা কাইদবা অমসুং শোইদা ঙামদবগা মরি লৈননা ওফিস ওফ দ জোনেল ইদ্যুকেসন ওফিসর জোন টু পোরোম্পাৎ, ইম্ফাল ইষ্টনা ঙরাং চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অদুনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা সরকারগী নত্রগা লন্নাইগী স্কুল খুদিংমকা স্কুল ত্রান্সপোর্ট কম্মিতি অমা শেমগদবনি। কম্মিতি অসি স্কুলশিংগী প্রিন্সিপালনা লুচিংগনি অমসুং পেরেন্টস নত্রগা গারজিয়ান্টস ফোরম এসোসিয়েসন, স্কুল ত্রান্সপোর্ট সর্ভিস প্রোভাইদর্স এসোসিয়েসন অমসুং লোকেল বোদিগী মীওইশিংনা মেম্বর ওইগনি। চেরোল অদুনা মখা তানা হায়-কম্মিতি অসিগী মীফম থা অহুমগী মনুংদা অমুক্তি শোইদনা

পাঙথোক্কদবনি। কম্মিতি অসিনা মহৈরোইশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা গারিশিং, মহৈরোই অমসুং মমা মপাশিংগী রেকোর্দ নিংথিনা থমগদবনি। অঙাংশিং অশোই অঙাম য়াওদনা স্কুল চখোক চৎশিন তৌবগী দাইত্যা অসি কম্মিতি অসিনা লৌগনি। রাজ্যগী ত্রান্সপোর্ট বিভাগনা থোকপা চৎন-কাংলোনগী মতুং ইন্না হায়রিবা কম্মিতিশিং অসি হয়েং ফাওবগী মনুংদা শেমবা চেরোল অদুনা খঙহল্লক্লি।

**মোদিঃ** ভারত অমসুং সাইপ্রসনা টেরোরিজম অমসুং এক্সত্রিমিজমগী মখল খুদিংমকপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মসিনা সমাজতা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভমদা শিংনরক্লিবা অসিবু পুন্না থেংনমিন্নবা য়ানখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং সাইপ্রসকী রাস্ত্রপতি নিকোশ খৃষ্টোদৌলাইদসকা ঙরাং নিকোসিয়াদা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারি শান্নরবা মতুংদা পুন্না থোকপা চেরোল অমদা হায়-মালেমগী লৈবাক পুমমকা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী নিংখা তম্ববু ইকাই খুমগদবনি অমসুং টেরোরিজম শৌগৎতুনা শেল থাদবা, মখোয়বু চংজফম পীবা তোক্তুনা মখোয়গী মথক্তা অকনবা থবক পায়খৎপা মতম ওইরে। লৈবাক অনিনা ঙমখৈ লান্না চত্থরকপা টেরোরিজমগী থৌওং থিংনবা পাউ ফাওনদুনা তুং কোইবা থৌরাং পায়খৎনবসু ফোঙদোকখি। হন্দক্তা পহলগাম টেরর এত্তেক্টতা মীচম কয়া হাৎখিবা থৌওংবু লুচিংবা অনিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লোয়ননা থৌদোক্তুদা চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়না মখা তাখি। য়ুনাইতেদ নেসন্সকী ফ্রেমৱার্ক মখাদা কম্প্রিহেনসিভ কনভেন্সন ওন ইন্তরনেসনেল টেরোরিজম চৎনহন্নবগী অপাম্বসু ফোঙদোকখি। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা ঙাকশেল অমসুং সেক্যুরিতিগী লমদা তেংবাং পীননবা অমসুং সাইবর সেক্যুরিতি অমদি ইমর্জিং টেকোলোজিদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎমিন্ননবসু য়ানখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইন্দিয়াদা মীকোক থিনবগী নোতিফিকেসন থোকখিবা, লৈবাক অসিদা কোবিদ নাইন্তিনগী কেস লেপ্তুনা হেনগৎলকপগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙনরিবা পাউচে অয়াম্গী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সনালৈবাক পাউচেদা-চহী ১৬ কী মতুংদা ইন্দিয়াদা মীকোক থিনবগী নোতিফিকেসন থোকখ্রে, মণিপুর য়াওনা ষ্টেট অয়াম্বদা কুমজা ২০২৭ কী মার্চ ১ দগী মীকোক থিগনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক-নহারোলগী থৌদাং অমসুং গানফিউ মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মীওই খরা এম.য়ুদা থবক হাপবনি হায়দুনা কন্সতেবল অমনা শাশিন্নবা এপোইন্টমেন্ট পীরগা শেল খোল্লম্লে হায়বা পাউ অমসু সনালৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিভ কেস লিশিং ৭ হেল্লে, ঙরাংগী অয়ুক পুং ৮ ফাওবগী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদবা মীগী মশিং ১১ শুখ্রে হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লৌ উবা য়াহন্নবা কংগ্রেসনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরি লৈননা লৈতানপোকপী থৌদোক-ইরাং মচা মচাশিং থুনা ৱারোইশিন পুরক্ত্রবদি লাঞ্জাও অমা শোইদনা ওইরক্কনি হায়না এম.পি বিমোল অকোইজমনা থমখিবা ৱাফম-নহারোল থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী রিলিফ এন্দ দিজাস্তরস কম্মিস্নরশিংগী চহীগী মীফম পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা দি.দি.এম.পি শেমগদবনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অহমেদবাদ প্লেন ক্রাসতা লৈখিদ্রবী ঙাস্থোই অমদি লমনথেমগী হকচাং কোকোমি অমসুং মণিপুরগী মীয়াম পুমমকা ওকবা শেম শাবা লোইরে হায়বা পাউ- পীপলস ক্রোনিকল অমসুং মণিপুরগী মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এপ্রিল অমসুং মে থাগী নফসাগী চেং পীথোক্তনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা তামেংলোংগী তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতি জিলাদা নুমিৎ ১৫ নি চথুগদবা দর্তি অবা অভিয়ান এৱেরনেস এন্দ সেচ্যুরেসন কেম্প হৌদোকখ্রে হায়না হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**